**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-06-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৭-০৬-২০২৪, শগোলশেল)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, চুরাচান্দপুর অমসুং তেংনৌপল জিলাদা থীবা হুন্দগী থবক চখবদা নোংমৈ অমদি পোখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং ফাগৎলে।

২) হকশেল মন্ত্রি ডা: সাপম রঞ্জননা হায়রি - মীয়ামা অনা লায়েংগীদমক মপাল লমদা চৎপগী চৎনবি অমা লৈরিবা অসি হোংদোকপগী মতম ওইরে।

**অমসুং**

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি -ভারতপু দ্রগ ফ্রি ইন্দিয়া ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকনি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থী হুন্বা, অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথখি। চীং অমসুং তম্পাক্কী চীংনবা মফমশিংদা থী হুন্বগী থবক অমসুং এরিয়া দোমিনেসগী থবক চথখি। মনিপুর পুলিসকী সোসিয়েল মেদিয়া পোস্ত অমদা হায়- নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে ২ দা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা গাড়িশিং পুশিল্লকখি। চীংনবা মফমশিংদা অহেনবা সেক্যুরিতি থমদুনা গাড়িশিং অশোই অঙাম থোক্তনা চৎহল্লি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈনৌ মনিংগী হায় কেনেল ময়াদা থীবা হুন্বগী থবক চথবদা এস.এম.জি করবাইন্দ অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিস্তোল অমা, পোম্পী সেল অমা, আই.এল.এল.য়ু সেল ৭, কাপ্পা মরু ৬ য়াওনা ইনসাস মেগজিন অমা, এস.এল.আর.মেগজিন অমা, চার্জর য়াওবা বাওফেং দব্লিউ.টি সেট মরি, গ্রেনেট ৯, গ্রেনেট রিং অনি, স্মোক বোম অনি, তিয়র গ্যাস গ্রেনেট অমা, এন্তি রাইওট সেল অনি,দিতোনেতর অহুম নোংমৈ মরু ৪২, তিয়র স্মোক সেল অমা অমসুং রবর বুলেট ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি ।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সনা শাবি নাতুম চীংগী চীংশাং পারেংদা থীবা হুন্বগী থবক চথবদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, কন্ত্রি মেদ বোল্ট এক্সন থ্রি নোট থ্রি রাইফল মরি, ত্বেলফ বোর নোংমৈ অনি পোম্পী অহুম, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিস্তোল অমা ,আই.ই.দি ৬ ,হেন্দ গ্রেনেট অনি, নোংমৈ মরু অমদি রেদিও সেট ফংবা ঙম্লে হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী সৈদান ভিলেজ চীংশাংদগী কন্ত্রি মেদ এস.বি.এন.এল রাইফল অহুম ফাগৎপা ঙমখি।

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলস অমসুং মনিপুর পুলিসনা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈনৌদা থীবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে হায়রি । অসাম রাইফলসকী পী.আর.ওনা থোকপা চেরোলঅমনা হায় -সেকুরিতিগী অপুনবা কাংবু অসিনা কৈনৌ এরিয়াদা লৈবা য়ুম, ঙাগী ফার্ম অমসুং লবুক্তা থীবা

হুম্বগী থবক চথ্খবদা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরু কয়া মরুম ফংলে হায়রি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং মনিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি। অমরোমদা, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা তেংনৌপল জিলাগী মাওজোং খুলদা থীবা হুম্বগী থবক চথ্খবদা এ.কে ফোর্টি সভেন রাইফল অমা, সোট গন মরি, পিস্তোল অমা, আই.ই.দি অহুম অমদি নোংমৈ মরু কয়া মরুম ফংলে ।

ইন্তরনেসনেল দে এগেনস্ত দ্রগা এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কীং থৌরমগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া মরুম পাঙথোকখি হায়রি।

**চান্দেল(এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী ওইনা হন্দক্তা এসিস্তেন্ত সপ ইন্সপেক্তরদা প্রোমোসন পীখ্রেবা পুলিস পরসনেলশিংগী পিপিং থৌরম অমা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে । থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি হেমন্ত পান্দেনা নৌনা প্রোমোসন কারবশিংবু থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা মখোয়গী মথৌদা মখা তানা পুকিং চংনা থবক তৌনবা হায়খি।

**অসাম পুলিসঃ** ইন্তরনেসনেল দে এগেনস্ত দ্রগা এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কীং নুমিৎকা মরী লৈননা অসাম পুলিসনা ঙরাং লুপা কোতি ৪ হেনবগী দ্রগ মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে। ধুব্রি পুলিসনা শীন্দুনা হোম গার্দ ত্রেনিং সেন্তর রঙ্গামাতি গৌরিপুরদা য়াল্লবা ফাগৎলকপা দ্রগশিং অদু মৈ থাদুনা মাংহনখিবনি।

ধুব্রি পুলিসনা গোলোক গঞ্চ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা উত্তর রাইপুরদগী মীওই অনিদগী পিভোন স্পাস কেপসুল লিশিং ৬,৮০০ ফাগৎপা ঙমখি। নুমিৎ পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা দ্রিবুগর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎলকপা হেরোইন গ্রাম ৫১১ রোম অমসুং গঞ্জা কিলোগ্রাম ৩৫ রোম মৈ থাদুনা মাংহনখি। চিরাং পুলিসনা হেরোইন গ্রাম ২৬১ ,টেব্লেট ১৪৪, লোক খুবগী হিদাক অমদি গঞ্জা কিলোগ্রাম ৩৩৮ রোম মাং তাকহনখি।

**হোস্পিতাল(এল)ঃ** রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি সাপম রঞ্জন সিংহনা হায়রি - মীয়ামদা সরকারগী হেলথ স্কিমশিং ফংহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মহাকা হায়- অনা লায়েংগী থবক থৌরমদা শেল য়ামা চংবা অসিনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অসি সরকারগী স্কিমশিংনা খরদা ওইরবসু মতেং পাংনবা হোৎনরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোল লাইমনাইদা নৌনা শাবা ত্রেভি হোস্পিতাল অমসুং রিছার্স ইন্সটিট্যুট হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- হোস্তিপাল অসিদা চিফ মিনিস্তরগী হকশেলগী তেংবাংগী কার্দ পায়বশিংনা শেল য়াওদনা অনা লায়েংগী থবক থৌরমশিং চথবা য়াগনি। মহাকা হায়- মনিপুরদা মতিক চারবা দোক্তর মরাং কায়না লৈ। মরম অদুনা মীয়ামা অনা লায়েংগীদমক মপালদা চৎপগী চৎনবি অমা লৈরিবা অসি হোংদোকপগী মতম ওইরে।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**গৃহ ঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি - ভারতপু দ্রগ শিজিন্নদবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফীরেপনি অমদি সরকারগী থৌশিল কয়া মরক্মা মসিবু মায়পাকপগী লম্বীরোমদা চংশিল্লি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱরোল অমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- দ্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা লালগী শরুক অমা ওইনা সরকার অসিনা গ্রাসরুট থাক্তগী থবক পায়খৎতুনা মসিবু থীংনবা হোৎনরিবশিংগা পুন্না থবক চৎমিন্নরি। মহাকা হায়- দ্রগী মায়োক্তা জেরো তোল্লরেন্স হায়বা থৌশিলগী মখাদা দ্রগ এদিক্সন পুন্মুৎ মুথৎনবা সরকারগী অচেৎপা ফীরেপ লৈ। শ্রী অমিত সাহনা হায়- দ্রগী সমস্যা অসি মীওই অমখক্তগী নত্তে মসিদি সমাজ অমসুং জাতি অদুগী সেক্যুরিতিদা শিংনবগা চপ মান্নে । মহাকা হায়- ভারতপু দ্রগ ফ্রি ইন্দিয়া ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকনি।

**লোক সভাঃ** ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফমগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা রাষ্ট্রপতি দৌপদি মুরমুনা সভা অনিমক্কী মীফমদা ৱা ঙাংগনি । রাষ্ট্রপতিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা সভা অনিমক্তা রাষ্ট্রপতিগী ভসনগী মোসন ওফ থেঙ্কস পুখৎতুনা সদস্যাশিংনা খন্নগনি। ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌখিবনি। রাজ্য সভাগী মীফমনা হয়েংদগী হৌরগনি। সভাগী মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা নৌনা কারক্লবা সদস্যাশিং ৱাশক লৌখি। ঙরাং লোক সভা অদ্যক্ষগী মীখল পাঙথোক্তুনা এন.দি.এগী মীরেপ ওম বিরলানা মায়পাক্তুনা অনিরক শুবা ওইনা লোক সভাগী অদ্যক্ষ ওইনা খনখ্রে। মহাকপু ভোইস ভোটতা খনখিবনি।

শ্রী ওম বিরলানা ১৮ শুবা লোক সভাগী অদ্যক্ষ ওইনা অমুক হন্না খল্লকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি । সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱেরোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- শ্রী ওম বিরলানা লোক সভাগী অদ্যক্ষ ওইনা খল্লকপা অসিনা সভাদা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নরকপদা চাউনা মতেং ওইগনি।

**ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**

**হৌজিক মঙশাতাবম প্রেমানন্দা লৈরে--**

**---প্রেমানন্দা---**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, চুরাচান্দপুর অমসুং তেংনৌপল জিলাদা থীবা হুন্বগী থবক চথবদা নোংমৈ অমদি পোখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং ফাগৎলে।

২) হকশেল মন্ত্রি ডা: সাপম রঞ্জননা হায়রি - মীয়ামা অনা লায়েংগীদমক মপাল লমদা চৎপগী চৎনবি অমা লৈরিবা অসি হোংদোকপগী মতম ওইরে।

**অমসুং**

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি -ভারতপু দ্রগ ফ্রি ইন্দিয়া ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকনি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-রাজেস**

সঙাই এক্সপ্রেসতা - জিরিবামদা য়ুম মৈ থারল্লে , মীয়ামগী খোংচৎ চৎখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ , নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমদি সঙাস এক্সপ্রেস ইংলিস্তসু অহানবা লমায়দা হেলাদলাইন তৌরি।

পোকফমদা - পুলিসনা ফারগা পুরকপা তোতোমসনা নোংশাবা কৈশম্পাৎতগী নাস্থোকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি ।

মনিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা অমিত সাহ লাক্কনি হায়না থাজে হায়বা গভর্নরগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর নিউ, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, পাউচেদসু অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা - লমদম অসিদা পোপি থারম্বা মফম চাদা ৫০ দগী ৬০ গী চাংদা হন্থরে হায়বা চিফ মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা দেহলাইন তৌরি। মনিপুরগী ইরাং অসি রাজ্য সরকারনা দ্রগকী মায়োক্তা খোংজং চংশিনবদগী থোক্লকপনি হায়বা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মিনিস্তর হৈখাম দিঙ্গোগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- লাল নংলবা জিরিবামগী মীয়াম তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ৫ তাল্লকখ্রে, জিরবামগী মীয়ামা মনিপুর লৈঙাক্তা খম থেংননা ৱারৌরে, মেমোরেন্দম পীশিন্নবা হোৎনরুবদা দি.সি ছুতি লৌরেল্লে হায়বা পাউ অহানবা

হেদলাইন তৌরি।         ওম বিরলাবু লোক সভাগী অনৌবা স্পিকর খনখ্রে। অখিলেস যাদবনা হাউসপু মথক মখা ওন্থোক্কনু হায়খ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর নিউজতা - মনিপুরগী ইরাং ৱার ওন দ্রগ কেম্পেইনগা মরী লৈনৈ , মীয়ামগী মতেংদগী দ্রগ ত্রাফিক্কিং চাং হন্থরক্লে হায়বা চিফ মিনিস্তরগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- কোকোমিনা তা অসিগী ২৮ দা মনিপুর কনবা খোংচৎ অমা চৎকনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা - পার্লিয়ামেন্ত মীফমদা কংগ্রেস এমপিসিনা মনিপুরগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎকদৌরি ফোক্সনা এম.পিসিসিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা - অধার ,ভোত্তর আইদিকার্দ শারগা মনিপুরদা মীতোপ পুশিল্লকপা গেঙ কাংবু অমা ফারে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা - ইম্ফাল জিরি লম্বীগী নোনে অমদি কৈথেল মানবি অনিগী লোন্নবদা শক খঙদবশিংনা গাড়িশিংদগী নিয়ম কায়না তেক্স লৌবগী থৌওংবু গুদস ত্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসন অমদি নোনে এরিয়া বিজিনেস এসোসিয়েসননা য়াননিংদবা ফোংদোক্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা -চাইনাগী স্পেস ক্রাফট চাং-ই- সিক্সনা থাগী লমায়দগী লৈবাক লৈহাও পুরকখ্রে  হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিলদা- সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা ইন্তরনেসনেল দে এগেনস্ত দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

--**রাজেস**--